# বেদমিন্টন ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপতা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল ৩ শুবা অমসুং কিদম্বী শ্রীকান্থ ২ শুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে





নানজিং, জুলাই ৩১ (এজেন্সী)ঃ চাইনানা য়ুম্বু ওইদুনা লৈবাক অদুগী সিটি নানজিংদা লৈবা নানজিং ওলিম্পিক স্পোর্টস সেন্টরদা ঙসিদগী হৌরগা ওগষ্ট ৫ ফাওবা পাঙথোক্লিবা ২৪ শুবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৮গী নুপীগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে। অদুগা নুপাগী সিঙ্গলসতনা কিদম্বী শ্রীকান্থ অনীশুবা রাউন্দ চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিদা ১০ শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইনা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাললনা অনীশুবা রাউন্দদগী শান্নবা হৌখি। মহাক্না ঙসি অনীশুবা রাউন্দ অদুদা টর্কিগী শান্নরোয় অলিয়ে দেমিরবাগকা লম্বা তৌনবদা অহানবা গেম অদুদা টর্কিগী শান্নরোয় অদুগী মায়োক্তগী প্রেসর খরা তৌরকখি। অদুবু সাইনা নেহৱালগী এক্সপিরিএন্স অদুনা লাকশিল্লক্তুনা ২১-১৭ তা থোইরগা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদদি টর্কিগী শান্নরোয় অলিয়ে দেমিরবাগকী অশোনবা মফমশিং অদুদা সাইনা নেহৱাললনা খুদোংচাবা লৌদুনা মদুদা পোইন্ট স্কোর তৌবা ঙম্বদগী ইকোম কোম্না গেম অদু ২১-৮ দা থোইরগা অহুমশুবা রাউন্দদা থাইলেন্দগী টুর্নামেন্ট অসিদা মরিশুবা সিদেদ ওইরিবী রাটচানোক ইন্টানোনগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্টানোননা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ককী শান্নরোয় এম ব্লিসফেল্ডবু ১৬-২১, ২২-২০, ২১-১০ দা মায়থীবা পীখি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী ঙসি শান্নখিবা অহানবা রাউন্দগী মেচ অমদা ৱর্ল্ড নম্বর ৫ ওইরিবা ইন্দিয়াগী কিদম্বী শ্রীকান্থনা আইরলেন্দগী নাথ ঙুয়েনগা লম্বা তৌনবদা ইৱা-ৱাদনা ২১-১৫, ২১-১৬ তা থোইখি। অনীশুবা রাউন্দদা কিদম্বী শ্রীকান্থনা স্পেনগী শান্নরোয় পাব্লো অবিয়ানগা লম্বা তৌনরগনি। পনবা য়াই, স্পেনগী শান্নরোয় পাব্লো অবিয়াননা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ শান্নবদা ইংলেন্দগী শান্নরোয় টি পেন্টেবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১-১৮, ২১-৬ তা মায়থীবা পীরম্বনি।

চাইনাগী সিটি নানজিংদা পাঙথোক্লিবা ৱর্ল্ড বেদমিন্টন চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা ঙরাং ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় ঐচ এস প্রনোই, সমির ভর্মা অমসুং বি সাই প্রনিত অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলুপতা ইন্দিয়াগী সাটৱিকসাইরাজ রানকিরেদ্দি অমসুং অশ্বিনি পোনাপানা জর্মনিগী প্যের মার্ক লামটুস অমসুং ইসাবেল হরত্রিক্কা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দদা গেম ২-১ দা থোইবা ঙমখি। অহানবা গেম অদু জর্মনিগী প্যের অদুনা ২১-১০ দা থোইখি। অদুবু ইন্দিয়াগী রানকিরেদ্দি অমসুং পোনাপানা অনীশুবা গেম অদু ২১-১৭ তা থোইরবা মতুং অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং গেম অদুদা ২১-১৮ দা থোইরগা প্রী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

প্রী ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী প্যের এস রানকিরেদ্দি অমসুং এ পোনাপানা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ৭ শুবা সিদেদ প্যের মলেসিয়াগী সুন হ্বাট গো অমসুং সেবোন জেমি লাইগা লম্বা তৌনরগনি।

মিক্স দবলসকী অতোপ্পা মেচ অমদা ইন্দিয়াগী প্রনব জেরি চোপ্রা অমসুং এন সিকিরেদ্দি চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ১২ শুবা সিদেদ প্যের ইন্দোনেসিয়াগী হাফিজ ফৈজল অমসুং গ্লোরিয়া ইমান্যুএল ৱিদজাজাগী মখুৎতা ১৬-২১, ৪-২১ দা মায়থীখি।

মমাঙগী রসিয়ন ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা সিলভর মেদল ফংখিবা ইন্দিয়াগী মিক্স প্যের রোহন কাপুর অমসুং কুহু গর্গ ইংলেন্দগী প্যের মতৈ-মনাওসু ওইরিবা খ্রিস এদকোক অমসুং গেব্রিয়ল এদকোক্কী মখুৎতা অনীশুবা রাউন্দগী মেচ অমা ১২-২১, ১২-২১ দা মায়থীহৌখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী নুপাগী দবলসকী কাঙলুপতা ইন্দিয়াগী এস রানকিরেদ্দি অমসুং চিরাক সেথিনা অহানবা রাউন্দদা ইংলেন্দগী এম এলিস অমদি সী লাংগ্রিজবু ২১-১৯, ১২-২১, ২১-১৯ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা দেনমার্ককী কে এসট্রুক অমদি এ এস রাজমুসেনগা লম্বা তৌনরগনি।

# ইটালিবু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থীবা পীদুনা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম ৱর্ল্ড কপকী ক্বার্টর ফাইনেলদা আইরলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি



লন্দন, জুলাই ৩১ (এজেন্সী) :

ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ৱুমেন্স হোক্কী ৱর্ল্ড ২০১৮ তা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিমনা ঙসি ইটালিগা শান্নখিবা প্লে ওফ মেচতা পাঞ্জল ৩-০ দা মায় পাক্তুনা ৱর্ল্ড কপ অসিগী ক্বার্টর ফাইনেলদা আইরলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কী টিম অসিগী লন্দনগী লি ভেলি হোক্কী এন্দ টেন্নিস সেন্টরদা থা অসিগী ২১ দগী চথুরকপা হোক্কী ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ অসিদা অচৌবা মঙলান অমগা লোয়ননা লাকখিবনি। মখোয়গী গ্রুপ মেচশিংদা অকনবা মওংদা মায়োক্নবা টিমশিংগা লম্বা তৌনবদা দ্রো অনী চৎখিবা অমদি অমা মায়থীবা নংখিবা অদুনা মরম ওইরগা পোইন্ট ২ ফংদুনা পুল বিগী অহুমশুবা পোজিসন তারগা প্লে ওফ/ক্রোস ওভরগীদমক ঙসি ইটালিগা লম্বা তৌনখিবনি।

ইন্দিয়াগী কোচ সিয়োর্দ মারিনেনা ফোঙদোকখিবদা ঙসিগী ইটালিগা শান্নগদবা মেচ অদু ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মায় পাকপা ঙম্বগী অচৌবা পাঙ্গল লৈ হায়খিবনি। শান্নবগী অহানবা ক্বার্টর অদুদগী হৌরদুনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা ইটালিদগী বোল হেন্না পায়বা ঙম্বগী মশান্না উৎখি।

অহানবা ক্বার্টরগী মিনিট ১৫ অদু লোইগদবা মিনিট ৬ রোমতা ঙাইশিল্লক্লবদা ইন্দিয়াগী টিমদা শরুক য়ারিবী মিজোরাম মচা লালরেমসিয়ামিনা মহাক্কী টিমমেট লিলিমাগা পুশিনমিন্নখিবা বোল অমা ইটালিগী গোলকিপ্পর সিরোকো মার্টিনাবু মায়থীবা পীদুনা মেচকী অহানবা পাঞ্জল অদু ফিল্ড গোল অমদগী ওইখি।

অহানবা ক্বার্টর লোইখি। অনীশুবা ক্বার্টরদা ইন্দিয়ানা অহেনবা এটেক চথুরবসু পাঞ্জল চনবা ঙম্বগী খুদোংচাবা অদু ইফং-ফংদনা লৈখি। ইন্দিয়াগী কোচ মারিনেনদি মহাক্কী শান্নরোয়শিং অদুনা অহেনবা এটেক চথুবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবগী অপান্থা অদু তোয়না ফোঙদোকখি।

অনীশুবা ক্বার্টর লোইশিনখি। ইন্দিয়াগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। মখোয়না ইটালিবু ১-০ দা হেল্লগা লৈখি।

হাফ মতুংদা ইটালিগী মায়কৈদগী ইন্দিয়ানা চনখিবা অমতা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু হন্দোক্নবা মখোয়গী শান্নরোয়শিংসু ফনা কন্না হোৎনখি।




অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিং অদুনা ইটালিগী এটেকশিং অদুবু গোল য়ৌহন্দনা মরক্তা অদুম খুদোংচাবা মাঙহনবা ঙমখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর অদু হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং পাঞ্জল চন্নিংবনা ককঙাওনদুনা লৈখি। মখোয়গী এটেকশিং ইটালিগী পেনালটি এরিয়া য়ৌশিল্লকপদা খুদোংচাবা অদু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈরকখি।

ক্বার্টর অদু লোইগদবা মতম লোইশিল্লক্লবদা ইন্দিয়াগী টিমনা পুশিনখিবা এটেক অমা পেনালটি কোর্নর ফংবদগী পেনালটি কোর্নর অদু মতম শুরবসু য়ৈহনখি। খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা মাঙহন্দনা গোয়াল নেহানা পেনালটি কোর্নর অদুদগী লাকপা বোল অদু পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ক্বার্টর অদু লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়ানা ইটালিবু পাঞ্জল ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল ২-০ দা হেন্দুনা লৈরবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা মখা তানা পাঞ্জল চন্নবগী খুদোংচাবা ঙাইদুনা লৈখি। অরোইবা ক্বার্টর অদুগী অয়াম্বা মতম লোইশিল্লকখি। মিনিট ৫ দা ঙাইরবা মতমদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মখা তানা চথুরকপা এটেক অমদা পেনালটি কোর্নর অমগসু ফংখি। খুদোংচাবা অদু ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা বন্দনা কটারিয়ানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা অরোইবা মীকুপ অদুদা পাঞ্জল অমগা হাপচিন্দুনা ইটালিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইরগা ক্বার্টর ফাইনেলদা আইরলেন্দগা ওগষ্ট ২ দা লম্বা তৌনরগনি।

ক্বার্টর ফাইনেল অদুদা ইন্দিয়ানা আইরলেন্দবু লমন শীংবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা চাওনা লৈরি। মরমদি টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ মেচকী পুল বিদা ইন্দিয়াবু আইরলেন্দনা মায়থীবা পীরম্বনি। করিগুম্বা আইরলেন্দবু ইন্দিয়ানা থোইবা ঙম্লবদি ৱর্ল্ড কপ অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌদুনা মমাঙগী ৱর্ল্ড কপ চেম্পিয়ন ওইরিবা নেদরলেন্দসকা লম্বা তৌবা য়াবগী খুদোংচাবা অমা লৈরি।

ঙরাং শান্নখিবা ক্রোস ওভর মেচ অনীদা মায় পাক্লবা স্পেন অমসুং অর্জেন্টিনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখি। ঙরাং স্পেননা বেলজিয়মগা শান্নখিবা ক্রোস ওভর মেচ অদুদা অপীবা মিনিট ৬০ পাঞ্জল চন্নবা ঙমদনা লৈখিবদগী পেনালটি সুটআউট তৌবদা স্পেননা বেলজিয়মবু য়াম্না নক্না পাঞ্জল ৩-২ দা থোইদুনা হয়েং জর্মনিগা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগদৌরি।

ঙরাংগী অতোপ্পা ক্রোস ওভর মেচ অমদা অর্জেন্টিনা অমসুং ন্যু জিলেন্দ লম্বা তৌনখি। মেচ অদুদা অর্জেন্টিনাগী মায়কৈদগী বারিওনুভোনা অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ২৫ শুবা মিনিটতা চনখি। মদুগী মতুং টিম অদুগী অতোপ্পা শান্নরোয় মেরিনোনা ৪৯ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমগা চল্লগা ন্যু জিলেন্দবু মখোয়না পাঞ্জল ২-০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা হয়েং ওষ্ট্রেলিয়াগা লম্বা তৌনরগনি।

ঙসি অথেংবদা অতোপ্পা ক্রোস ওভর মেচ অমদা য়ূম্বু ইংলেন্দ অমসুং সাউথ কোরিয়া লম্বা তৌনরগনি। মখোয় অনীগী অথোইবা অদুনা ওগষ্ট ২ দা নেদরলেন্দসকা ক্বার্টর ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

# অসাম রাইফলসনা ভোল্লিবোল মেচ শীনখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ৩১ (ঐচ এন এস)ঃ হেদক্বার্টর আই জি এ আর সাউথকী মীৎয়েং মখাদা ৯শুবা সেক্টরগী মন্ত্রিপুখ্রি বটালিয়ান্না শীন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা কোইরেঙ্গৈ কম্পনি ওপরেটিং বেজদা ফ্রেন্দলি মেচ অমা শীনখ্রে। ফ্রেন্দলি মেচ অদু অচানবিগৈ অমসুং মোংজমগী য়ুঠ ক্লব মেম্বরশিংগা কোইরেঙ্গৈ কম্পনি ওপরেটিং বেজগী শান্নরোয়শিংগী মরক্তা শান্নখি। ভোল্লিবেল মেচ অদু অসাম রাইফলসনা লমদম অসিদা লৈরিবা নহাশিংগী মরক্তা শান্নবগী লমদা চাওখৎননবা পায়খৎলকপা খোংথাং অমনি হায়না আই জি এ আর সাউথকী পি আর ওনা প্রেসতা ঙসি থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

# ইন্দোনেসিয়ানা নোর্থ কোরিয়াগী কিমবু এসিয়ন গেমস য়াওনবা ইনভাইট তৌখ্রে

জকরতা, জুলাই ৩১ (এজেন্সী)ঃ

ওগষ্ট ১৮ দগী ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসকী হৌদোকপগী থৌরমদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনবু য়াওবীনবা ইনভাইট তৌখ্রে। মঙোন্দা পীখিবা ইনভাইটেসন অদুগা চপ মান্ননা সাউথ কোরিয়াগী প্রসিদেন্ট মুন জে ইনদসু পীখি।




হন্দক নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিমনা ন্যুক্লিয়র খুৎলায় লৌথোক্তুনা জুন থাদা সিঙ্গাপোরদা য়ু এস এগী প্রসিদেন্ট দোনাল্দ ট্রম্পকা সম্মিট অমা পাঙথোক্তুনা থবক কয়া পাঙথোক্লগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং এসিয়ন গেমস অসিনা নোর্থ অমসুং সাউথ কোরিয়া অনী পূনশিন্দুনা ইভেন্ট অহুম শরুক য়াগদৌরি। হায়রিবা ইভেন্টশিং অদুদি বাস্কেটবোল, রোৱিং অমসুং কেনোয়িংনি।

ইন্দোনেসিয়াগী কোওর্দিনেটিং হ্যুমেন দিভলপমেন্ট এন্দ কলচরেল এফেয়র্সকী মিনিষ্টর পোন মহারানিনা হৌখিবা চয়োলদা নোর্থ কোরিয়াদা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্তুনা এসিয়ন গেমস অদুদা নোর্থ কোরিয়াগী লুচিংবা কিম জোং উনবু লাকপীনবা ইনভাইটেসন পীরম্বনি হায়না ওফিসল ওইবা পাউ অমনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তাখিবদা ইন্দোনেসিয়াদা সিক্যুরিটিগী চিংনবা লৈতে। মরম অদুনা মালেমগী অতোপ্পা লুচিংবশিংনসু লাকপদা কিনিংঙাই ওইদে হায়খি।



## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৬

১। অহানবা সম্মর ওলেম্পিক পাঙথোকপা মতমদা পাঙথোকখিবা অহানবা থৌরম অদু করিনো?
২। কুমজা ১৯৬২দা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট গেমসতা মরাথোন্দা মকোক ওইখিবা নুপা অদু কনানো?
৩। ৱেষ্টর্ন রোল হায়রগা করিবু খঙনবগে?
৪। অরুনাচল প্রদেশকী অহানবা ইন্টরনেসনল ফুটবোল শান্নরোয় অদুগী মমিং করি কৌই।
৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ১৫, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ-৭৫গী পাউখুম ৩ চুম্না থাবিরকখিবশিংদি

| | |
|---|---|
| (১) সনসম প্রিয়োকুমার, খেকমন মখা লৈকায়, থৌবাল | (৩) |
| (২) নিঙোম্বম বন্দঙম্বা মৈতৈ, থৌবাল নিঙোম্বম | (৩) |
| (৩) **লোংজম বিরজিৎ, হাওবম মরক কৈশাম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট** | (৩) |
| (৪) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় | (৩) |

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ- ৭৫গী ৱিন্নর**

***লোংজম বিরজিৎ, হাওবম মরক কৈশাম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)***

**হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৭৫গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম**

**ওগষ্ট ০৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৫গী পাউখুম

১। ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মায়োক্নবা টিমগী শান্নরোয়না কাওথৎতুনা মখোঙ তেকখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু। :- ADALBERT STEINER
২। টিম অসিনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল তরেৎলকশুবা ওইনা ফাইনেল ষ্টেজদা শরুক য়াবা মতমদা স্কুল ওজা অমবু টিম কোচ ওইহনবগী লমদম অদুগী মীওই খরনা য়ানীংখিদে অমদি টিম অদু মথং রাউন্দ চঙবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মমিং পীয়ু। :- SCOTLAND
৩। হিমা দাসকী মমাঙদা মমিং চৎখিবা অসামগী এথলেট অমগী মমিং পীয়ু। :- BHOGESWAR BARUAH
৪। মহাক্না ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙম্লবদি কিলোমিটর ১৭৫ মখোঙনা চৎকনি হায়না ৱাশকখি। মহাক লমজেল অদুদা মকোক ওইখি। মহাক্কী ৱাশক অদু ঙাক্তুনা মখোঙনা কিলোমিটর ১৭৫ চৎলগা ফাটিমাগী লাইশঙদা চঙদুনা ভিরজিন মেরিবু খুরুমজখি। মহাক কনানো? :- FARNANDA RIBEIRO
৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? :- HARRY HOPMAN

# এসিয়ন গেমসকী শান্নরোয় ১৮ লাউথোকপদা নিলকান্ত, কোথাজিৎ অমসুং চিংলেনসন্না য়াওখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১ (এজেন্সী)ঃ

ওগষ্ট ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা লৈবাক অদুগী সিটি অনী জকরতা অমসুং পালেমবোংদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াননবা ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম শেম্নবা শান্নরোয় ১৮ গী মীং লাউথোকপদা মণিপুরদগী কোথাজিৎ অমসুং চিংলেনসন্না য়াওখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসি নুমিৎ ১১ নিগী ওইবা কেম্প অমা হয়েংদগী বেঙ্গালুরুদা লৈবা স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়াগী সেন্টরদা পাঙথোক্কদৌরিবা অদুদা খনগৎলবা শান্নরোয় ১৮ অসিনা শরুক য়াগদৌরি।

নীংশিংবা য়াই, ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কী টিম অসি মমাঙদা নুমিৎ ২১ নি চুপ্পা এসিয়ন গেমসকী শেম-শাবা ওইনা বাংলাদেশ, সাউথ কোরিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দদা চৎতুনা এক্সপোজর মেচশিং শান্নখি।

টিম অসিগী চীফ কোচ ওইরিবা হরেন্দ্র সিংহনা ফোঙদোকখিবদা ফোরেনগী এক্সপোজর টুর অদু লোইরবা মতুং চয়োল অমরোমগী মতুং হয়েংদগী অকনবা মওংদা বেঙ্গালুরুদা ট্রেনিং কয়া চথুগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী হোক্কী টিম অসিনা এসিয়ন গেমসতা পুল এদা সাউথ কোরিয়া, জপান, শ্রী লঙ্কা, হোং কোং অমসুং য়ূম্বু ইন্দোনেসিয়াগা পূন্না লম্বা তৌনগদৌরি।

কোচ হরেন্দ্রনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ফোরেনগী এক্সপোজর টুর অদু লোইরবা মতুং চয়োল অমগী মতম শান্নরোয়শিংদা পোত্থাহন্দুনা ৱাখল অমসুং পাঙ্গল ফ্রেশ ওইহন্নবগী চপ চাবা মতম অমা পীখিবনি। মমাঙগী এসিয়ন গেমসকী চেম্পিয়নসু ওইরিবা ইন্দিয়ানা হন্দকসু গোল্ড মেদল লৌবা ঙমদুনা জপানগী কোনুং টোকিয়োদা কুমজা ২০২০ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস অদুগীদমক ক্বালিফাই ওইনবা হোৎনগদৌরি।

ন্যু জিলেন্দগী এক্সপোজর টুর অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং অদুনা অশোয়বা লৈখিবা মফমশিং অদু হন্দক্কী নুমিৎ ১১ নিগী ট্রেনিং কেম্প অসিদা শেমদোক্নবা হোৎনগদৌরি।

ইন্দিয়াগী চীফ কোচ ওইরিবা হরেন্দ্র সিংহনা মহাক্কী নুপাগী টিম অসি মপাঙ্গল লৈবা অমদি টেলেন্ট ৱাংনা লৈবা শান্নরোয় ঙাক্তনি। টিম অসিনা এসিয়ন গেমসতা ফজবা পর্ফোমেন্স শুংশোই শোয়দনা উৎপা ঙমগদৌরি হায়না ফোঙদোকখি।

এসিয়ন গেমসতা মায়োক্নবা টিমশিংবু মায়থীবা পীদুনা লাক্নবা মতুং উরিষাগী ভুবনেশ্বর সিটিদা সীজন অসিগী লোইশিল্লকপদা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপাগী হোক্কী ৱর্ল্ড কপকীদমক অকনবা মওংদা শেম-শাবা ওইনা এসিয়ন গেমসতা মায়োক্নবা লম্বাশিংদগী কান্নবা কয়া লৌগদৌরিবনি হায়খি।

হয়েংদগী বেঙ্গালুরুদা পাঙথোক্কদৌরিবা ট্রেনিং কেম্প অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা ইন্দিয়াগী নুপাগী শান্নরোয় ১৮ অদুদি - গোলকিপ্পরদা পি আর শ্রীজেস, কৃশন বি পটক, সুরজ কারকিরা; দিফেন্দরদা হরমনপ্রিট সিংহ, ভরুন কুমার, বিরেন্দ্র লাক্রা, সুরেন্দর কুমার, রুপিন্দর পাল সিংহ, অমিৎ রোহিদাস, জর্মনপ্রিট সিংহ অমসুং খদাংবম কোথাজিৎনি।

মিদফিল্ডদা শরুক য়াগদৌরিবশিং অদুনা মনপ্রিট সিংহ, কাঙুজম চিংলেনসন্না, সিমরঞ্জিৎ সিংহ, সরদার সিংহ, বিবেক সাগর প্রসাদ, নিলকান্ত শর্ম্মা অমসুং সুমিৎনি। অদুগা ফোরৱার্দতা লৈরিবা শান্নরোয়শিং অদুনা এস বি সুনিল, মন্দিপ সিংহ, অকাশদিপ সিংহ, ললিৎকুমার উপাধ্যায়, দিলপ্রিট সিংহ, সুমিৎ কুমার অমসুং সিলানন লাক্রানি।

# অমিত কুমার দ্রগ টেষ্টতা পোজিটিব ওইখ্রে, এ এফ আইনা মহাক সস্পেন্দ তৌখ্রে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ৩১(এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী নৌনা মমিং লৈরক্লিবা জেবলিন থ্রোৱর অমিত কুমার দ্রগ টেষ্টতা পোজিটিব ওইখিবদগী এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানান মহাকপু সস্পেন তৌখ্রে। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা নেসনেল ইন্টর ষ্টেট এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জল মেদল ফংখিবা অমিত কুমার মমাং থাদা ফিনলেন্দদা পাঙথোকখিবা এক্সপোজর ত্রিপ্তা থিংখ্রবা পোৎয়ান (দ্রগ) টেষ্ট তৌবদা পোজিটিব ওইরকপনি।



অমিত কুমার নেসনেল ইন্টর ষ্টেট এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তা ব্রোঞ্জ মেদল লৌদ্রিঙৈ মাংওইননা লৈবাক অসিদা পাঙথোকখিবা ফেদরেসন কপ্তা সিলভর মেদল ফংখিবনি। মহাকপু এথলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা প্রোবিসনেল ওইনা সস্পেন তৌখ্রে।

মহাক ওগষ্ট ১৮দগী ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮শুবা এসিয়ান গেমসকী ত্রায়ল সেলেক্সনদা গেমস অদুগী লৈখিবা ক্বালিফাইং মার্ক ওইখিবা মিটর ৮১ য়ৌবা ঙমখিদবদগী এসিয়ান গেমসতা ইন্দিয়াগী কন্টিনজেন্টতা শরুক য়াবা ঙমখিদবনি।

নীংশিংবা য়াই, অমিত কুমারনা ফিনলেন্দদা চহী অসিগী জুন থাদা পাঙথোকখিবা এক্সপোজর ত্রিপ অদুদা দ্রগ টেষ্ট তৌখিবনি। হায়রিবা টেষ্ট অদু ফিনলেন্দগী এন্টি দোপিং এজেন্সীনা ইন্টর্নেসনেল এমেচর এথলেটিক্স ফেদরেসনগী লমজিং মখাদা এথলেটিক্স ইন্টিগ্রিটি য়ুনিটনা পাঙথোকখিবনি।

দোপ (দ্রগ) কন্ট্রোল ফোর্ম মেনশিনবদা ইন্দিয়াগী অমিতনা ফিন্নলেন্দদা য়ৌরকত্রিঙৈদা শিজিন্নখিবা ফুদ সপ্লিমেন্টশিং অদুগী অকুপ্পা মরোল পনখিদে হায়রি। মহাক্কী টেষ্ট অদুদা মহাক্না শিজিন্নখিবা ফুদ সপ্লিমেন্ট অদুদা টেষ্টোষ্টেরোনগী চাং য়াম্না ৱাংনা য়াওরম্বা টেষ্ট অদুদা থেংনখিবনি।

নাকল অমরোমদা অমিত কুমারগা য়াম্না নক্নবা পাউগী লীখুন অমনা ফোংদোরকপদা মহাক্না চাখিবা ফুদ সপ্লিমেন্ট অদুগী মনুংদা করম্বা কেমিকল য়াওই হায়বদু মহাক মুন্না খঙখিদে। পোৎয়ান অদু কোমথোকপা য়াবগী তাঞ্জা অমা ফংখিবা মরম্না টেষ্ট তৌখিবা মতম অদুনা মহাক্না পনখিদবনি হায়রি।